সঙ্গাই এক্সপ্রেস

IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 26, 2022

# সোনিয়া অমসুং লোকেসোর খল্লক্লে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ঃ সাহিত্য একাডমি যুব পুরস্কার ২০২২ পীনবা তোঙান তোঙনবা লোনগী অইবা ২৩ খনগৎপদা মণিপুরী লোনগী ওইনা 'লোইয়ুম্বা(নোভেল)' গী অইবী সোনিয়া খুন্দ্রাকপম য়াওরে অমসুং সাহিত্য একাডমি বাল সাহিত্য পুরস্কার ২০২২ পীনবা তোঙান তোঙানবা লোনগী অইবা ২২ খনগৎপদা মণিপুরী লোনগী ওইনা 'তোমথিন অমসুং খুজি(সোর্ট ষ্টোরিজ)' গী অইবা নাওরেম লোকেসোর য়াওরে ।

সাহিত্য একাডমিগী প্রসিডেন্ট ডাক্টর চন্দ্রসেখর কাম্বরগী চিয়ারমেনসিপ মখাদা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা একাডমি অসিগী ইগজিক্যুটিব বোর্ডকী মীফমনা সাহিত্য একাডমি যুব পুরস্কার ২০২২ পীনবা খল্লবা অইবা ২৩ অমসুং সাহিত্য একাডমি বাল পুরস্কার ২০২২ পীনবা খল্লবা অইবা ২২ গী অয়াবা পীখিবনি ।

কোপ্পর-প্লেগ অমা অমসুং লুপা ৫০,০০০ গী চেক অমা য়াওবা যুব পুরস্কাগী মনা অসি কোল্লা মতম অমা লেপ্লগা পাঙথোক্কদবা অখন্নবা থৌরম অমদা এৱার্ডিশিংদা খুৎশিন্নগনি ।

কোপ্পর-প্লেগ অমা অমসুং লুপা ৫০,০০০ গী চেক অমা য়াওবা বাল সাহিত্য পুরস্কারগী মনা অসি চহি অসিগী নবেম্বর ১৪ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা অখন্নবা থৌরম অমদা এৱার্ডিশিংদা খুৎশিন্নগনি হায়রি ।